
# কুলভুষণ যাদব শিরন্বা য়াই হায়না দিফেন্স এক্সপার্টশিংনা মিপাইবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২১ (এজেন্সী) :
পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা কুলভুষণ যাদব শিরন্বা য়ারে হায়না দিফেন্স এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে)না যাদব থাদোকহনবা ঙম্লোই অমসুং মহাকপু পাকিস্তানগী লো মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়না পাকিস্তানি ফোরেন এফ্যের্স এদভাইজর সরতাজ অজিজনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা দিফেন্স এক্সপার্টশিংগী মোত পীরকখিবনি।

দিফেন্স এক্সপার্ট পি কে শেহগলগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীনা হায়, সরতাজ অজিজগুম্বা মতিক চারবা পোলিটিসিয়ন অমনা মথোং হুক্তবা ৱাফম ফোঙদোরকপা লাইবক থীবনি। থৌওং অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্তা চিংনবা অমদি চমম্নবা পোকহল্লে।

ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা কুলভুষণবু শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোই হায়না খঙহনখিবা ৱাফম অদু করিগুম্বা পাকিস্তান্না ঙাক্তবা থোক্লবদি রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনল থাক্তা পাকিস্তান্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরকপা য়াই। মদুগীসু মথক্তা য়ুল্লোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মরী কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই হায়নসু শেহগলনা ফোঙদোকখি।




অতোপ্পা দিফেন্স এক্সপার্ট অমনা হায়খি মদুদি, পাকিস্তান্না কুলভুষণ যাদবগী মতাংদা চাইনাগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। চাইনানা ভীটো পাৱর শীজন্নদুনা পাকিস্তানগী মায়কৈদা লেপ্পকপা থোক্লবদি আই সী জেগী ৱায়েল অদু অরেম্বা তাবগী ফীভমদা লৈরি।

সরতাজ অজিজনা কুলভুষণ যাদবদা কন্স্যুলর এসেস পীবগী ৱাফম লৈরোই হায়না অমুক হন্না ফোঙদেকপা লৈখ্রবনি।

আই সী জেগী ৱায়েল পীরকখ্রবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, আই সী জেনা যাদবপু শিবগী চৈরাক পীবগী ৱায়েল অদু মতম খরা চৎনহন্দনা থমখিবগী ৱাদনি। ইন্দিয়াদা কন্স্যুলর এসেস পীগদবনি হায়না য়াথং পীরকখিবা লৈতে। মরম অদুনা আই সী জেদা পাকিস্তান মায়থিরে হায়না লৌবা য়াদে।

পাকিস্তান্না কুলভুষণ যাদবকী কেস চয়োল ৬কী মনুংদা অমুক হন্না হিয়ারিং চত্থবীনবা আই সী জেদা পিটিসন অমা ফাইল তৌবা লৈখ্রবনি।

মে ১৫দা পাকিস্তানবু ভিয়েনা কনভেন্সন ঙাক্না চৎত্রে হায়না মরাল শীরদুনা ইন্দিয়ানা হায়খিবনি মদুদি, কুলভুষণ যাদবকী মথক্তা পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

আই সী জেনা যাদবকী কেস হিয়ারিং চত্থবা হৌরকপদা ইন্দিয়ানা হায়খি মদুদি, পাকিস্তান্না হ্যুমেন রাইটসকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি খুদক্তা অথিংবা পীফম থোকই। মশাগী চহী ৪৬ শুরবা যাদবদা কোন্স্যুলর এসেস পীবিনবা কয়ারক হন্না হায়জবদা পাকিস্তান্না অয়াবা পীখিদে। যাদবগী পূন্সি খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপদগী ইন্দিয়ানা আই সী জেগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনরকপনি।

ইন্টরনেসনল কোর্টকী ৱায়েল পীরক্ত্রিঙৈদা পাকিস্তান্না যাদবপু শিবগী চৈরাক পীখিবা য়াই হায়না এটোর্নি হরিজ সালবেনা ফোঙদোকখি। ইস্লামবাদনা অচুম্বা ৱায়েল চত্থবগী মওং উবা ফংদবা মরম্না ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ৱায়েল পীরক্ত্রিঙৈদা পাকিস্তান্না যাদবপু শোয়দনা শিবগী চৈরাক পীদুনা হাৎখিবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ। পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্টনা যাদবকী মথক্তা চত্থখিবা ট্রাইয়েল অদু চৎনবা য়ারোই হায়না ইন্দিয়ান ওফিসল দিপক মিতালনা কোর্টতা ফোঙদোকখি।

# পাকিস্তান্না অতোপ্পা ইন্দিয়ান অমসু ফাখ্রে

## রাজনাথ : পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু কাং-খোং চাইহন্নবা হোৎনরে

ন্যু দিল্লি, মে ২১ (এজেন্সী) :
চখোক-চৎশিন তৌবগী চে-চাং শুদনা লাকই হায়বগী মরালদা মুম্বাইদগী চৎখিবা ইন্দিয়ান অমা ইস্লামবাদতা ঙসি ফাখ্রে।

ন্যুজ রিপোর্ট অমনা হায়, চে-চাং শুদনা লাকই হায়বা ইন্দিয়ান সিটিজন অদু ইস্লামবাদকী এফ-৮ এরিয়াদগী ফাখিবনি। ফারবা মীওই অদু মুম্বাইদগী সৈখ নবি কৌবা মীওই অমনি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা ফোরেনর এক্ট, ১৯৪৬কী মখাদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা নুমিৎ ১৪নি জুদিসল কষ্টদিদা থমখ্রে।

অতোপ্পা মিদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্নদি হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা পাকিস্তানি ওথোরিটিশিংনা ইন্দিয়াদা হৌনবী মতুং ইন্না পাউ পীরকপা লৈত্রি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সকী সোর্ছ পল্লদুনা এন দি টি ভীগী রিপোর্টনা হায়, মুম্বাইদগী মীওই অমা ইস্লামবাদতা ফাখিবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা পাকিস্তান্না ইন্দিয়ান হায় কম্মিসন্দা পাউ পীরকপা লৈত্রি।

কুলভুষণ যাদবপু শিবগী চৈরাক পীবগী মতাংদা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনী উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা অতোপ্পা ইন্দিয়ান অমা ফাবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্তান্না ঙাইহাক লৈতনা ইন্দিয়াদা চরাংনবা থোকহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লবসু এন



দি এ গভর্ণমেন্টনা কাশ্মীরগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরগনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, কাশ্মীরদা ঈহৌ শাগত্তুনা ইন্দিয়াবু কাং-খোং চাইহন্নবা পাকিস্তান্না হোৎনরিবা থৌরাং পূম্নমক অরেম্বা তাহনগনি। অথুবা মতমদা কাশ্মীরগী ৱাথোক অসি ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরগনি।

হৌখিবা এপ্রিল ৯দা শ্রীনগর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সীগী বাই-ইলেক্সন পাঙথোকখিবা মতমদগী হৌরগা কাশ্মীর তম্পাক্তা চরাংনবা ফীভম লৈরকখিবা মরম্না হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি। মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই মাপন শিখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মীওই অয়াম্বা ভোট থাদবা থোক্লরকখিদবগা লোয়ননা ভোট থাদবগী চাং শুপ্পগী চাদা ৭.১৪ ওইখি।

কাশ্মীর তম্পাক্তা ওইরকখিবা ফীভম অদু য়েংলগা ইলেক্সন কম্মিসন্না এপ্রিল ১২দা পাঙথোক্কদবা অনন্তনাগ লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সীগী বাই-ইলেক্সন য়ৈথোকপা তাখি। মশীং য়াম্লবা মহৈরোয় কয়া লম্বীদা থোরক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী কা হেনবা থৌওংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখি। মমাঙ চহীদসু হিজবুল মুজহিদ্দিনগী লূচিংবা বুরহান ৱানি লৈখিদ্রবা মতুংদা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা মীচম কয়া শিবা লৈখ্রবনি।

# নাওগামগী ওপরেসন্দা আর্মি জৱান ৩, টেররিষ্ট ৬ শিখ্রে



শ্রীনগর, মে ২১ (এজেন্সী) : জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী নাওগামদা চত্থখিবা ওপরেসন্দা টেররিষ্ট মরি অমসুং আর্মি জৱান অহুম শিখ্রে।

লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)গী নাওগাম সেক্টরদা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎরকখিবা থৌরাং অমা মায় পাকহনখিদ্রবা মতুংদা নাকল অনী খুৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট মরি অমসুং আর্মি জৱান অহুম শিখিবনি।

আর্মি ওফিসল অমনা পাউমীশিংদা হায়খি, নাওগামগী এল ও সী মনাক্তা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রে। মতম ঙাইহাক কান্নরগা অতোপ্পা মফম অমদা অমুক হন্না ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখি। থৌদোক অদুদসু আর্মিনা টেররিষ্টশিংগী থৌরাং পূম্নমক অরেম্বা তাহনখি।

মে ১৪ দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী হন্দৱরা রিজন্দা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা লাস্কর-ঈ-টোইবা (এল ঈ টি)গী টেররিষ্ট অনী কাপ্পুনা হাৎখিবা লৈখ্রে। থৌদোক অদু কাশ্মীরগী ৱারিপোরা এরিয়াদা থোকখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থৌদোক থোকফম অমদি অকোয়বদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চত্থখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা নেপালদগী ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট অমা সশস্ত্র সিমা বল (এস এস বি)না ফাখি। ফারবা মীওই অদুদগী পাকিস্তাননা পীবা পাসপোর্ট অমা ফংখিবনি।

নাসির অহমদ এলিয়স সাদিক কৌবা মশাগী চহী ৩৪ রোম শুরবা মীওই অদু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বনিহাল এরিয়াদা চত্থখিবা টেররিষ্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা চেন্নবনি হায়রি।

কুমজা ২০০৩দা মহাক পাকিস্তান্দা চত্তুনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনদা য়াওখিবনি। কুমজা ২০০৩গী নবেম্বরদগীনা কুমজা ২০০৪গী জন্যুৱারী ফাওবা অতক (খাইবর পাক্তুনখ্বা প্রোভিন্স) কৌবা মফম অমদা খুৎলাই শীজিন্নবগী মতাংদা ট্রেনিং ফংখিবা মীওই অসি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লান হৌদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা মখল কয়াগী এটেক চত্থহন্দুনা লাকখি।

ফারবা মীওই অসি এ কে-৪৭, এ কে-৫৬, এস এল আর, রোকেট লোঞ্চর (আর পি জি-৭), এসোল্ট রাইফল (জি-৩ অমসুং জি-২) অমদি গ্রেনেদ শীজিন্নবগী মতাংদা নীংথিনা খঙ হৈরবা মীওইনি।

# বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবগী ৱাথোক্তা চেন্নবা ভী ঐচ পিগী লূচিংবা মঙা স্পেসল কোর্ট অমনা বেল পীখ্রে

লখনৌ, মে ২১ (এজেন্সী) :
কুমজা ১৯৯২দা বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবগী কেসতা মরাল লৈরে হায়বা বিশ্ব হিন্দু পরিষদ (ভী ঐচ পি)কী লূচিংবা মঙা স্পেসল কোর্ট অমনা বেল পীখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা স্পেসল কোর্টনা হিয়ারিং চত্থবা হৌখিবগা লোয়ননা মসজিদ থুগাইবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই মঙা বেল পীখিবনি।

এপ্রিল ১৯দা সুপ্রিম কোর্টনা লখনৌদা লৈবা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টতা থা ১গী মনুংদা হিয়ারিং চত্থরগা চহী ২গী মনুংদা ৱায়েল পীনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

সী বি আইগী কোর্টনা মরাল লৈরে হায়বা মীওই তরুক কোর্টতা লাক্লবা খঙহনখিবগী মনুংদা মীওই মঙা লাকখিবগা লোয়ননা বেল পীখি।

সী বি আইগী জজ এস কে যাদবনা লুপা লীশিং ২০গী সিয়োরিটি অমসুং চপ মান্নবা শেনফমগী পার্সনেল বোন্দদা মীওইশিং অদু বেল পীখিবনি।




মে ২২দা মথংগী হিয়ারিং চত্থগনি হায়না কোর্টনা মতম লেপখি।

সী বি আইগী কোর্টতা ঙসি লাকখিবা ভী ঐচ পিগী লূচিংবশিং অদুদি রাম বিলাশ বেদান্তি, চম্পত রাই, বাইকুন্থ লাল শর্ম্মা, মহন্ত নৃত্য গোপাল দাস অমসুং ধর্ম্মদাস মহারাজনি। সতিশ প্রধান কৌবা কেস অসিদা চেন্নবা অতোপ্পা মীওই অমদি কোর্টতা লাকখিদে।

অমরোমদা, কোর্টনা বেল পীরকখ্রবা মতুংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম পি ওইরম্বা রাম বিলাশ বেদান্তিনা হায়খ্রে মদুদি, অযোধ্যদা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না রাম টেম্পল শোয়দনা শারগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

রাম টেম্পল লৈরম্বা মফমদা শাগৎখিবা মোস্ক থুগাইবদা মশামক য়াওখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না অথুবা মতমদা রাম টেম্পল শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি। থৌরাং অসি লৌখৎনবা হোৎনবদা কোর্টনা করিগুম্বা পূন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবা নৎত্রগনা শিবগী চৈরাক পীবা তারবসু হরাও হরাও লৌগনি। অদুম ওইনমক অযোধ্যদা অচৌবা রাম টেম্পল অমা শাবা হায়বসি লেংদ্রবা ৱাশকনি।

সমাজৱাদি পার্টি এম এল সী বুকাল নৱাবনা অযোধ্যদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম অমা লাউথোকপা লৈখ্রে।

অযোধ্যদা রাম টেম্পল শানবগীদমক লুপা ক্রোর ১৫ কৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। লৈঙাক্না পীফম থোকপা লমগী কম্পেন্সেসন পীরক্লবা মতুংদা লুপা ক্রোর ১৫ রাম টেম্পল শাবদা হাপ্পবা ৱারেপ লৌরে। মতম কয়াগী মমাঙদগী মহাক্না অযোধ্যদা রাম টেম্পল শাবগী থৌরাং শৌগৎতুনা লাকখিবনি।

অযোধ্যদা লোর্দ রাম পোকখিবা মরম্না মফম অসিমক্তদা রাম টেম্পল শাফম থোকই। অথুবা মতমদা বুকালনা লমগী কম্পেন্সেসন ওইনা গভর্ণমেন্টতগী লুপা ক্রোর ৩০ ফংলবা য়াই হায়না থাজনরি।

# চাদা ৩৩ নুপীগী রিজার্ভেসন পীনবা সিগ্নেচর কেম্পেন চত্থখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২১ (এজেন্সী) :
হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধী লৈখিদবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ঙসি এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন্দা নুপীগী সিট চাদা ৩৩ রিজার্ভ তৌগদবনি হায়না সিগ্নেচর কেম্পেন চত্থবা হৌখ্রে।

কোংগ্রেস ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, সোনিয়া গান্ধীগী মচানুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী অমদি ময়ানুপা রোবার্ট ভদ্রাসু কেম্পেন অদুদা শরুক য়াখি।

মহিলা কোংগ্রেসনসু লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা পার্লিয়ামেন্টতা ৱিমন রিজার্ভেসন বিল পুখৎনবগী মতাংদা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহিলা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোভা ওজানা হায়খি, লাক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা রজিব গান্ধীনা নুপীদা মতিক ময়াই শীন্নবা হায়না মঙজরম্বা মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা হোৎনরগনি। য়ুমথোঙ খূদিং চত্তুনা মীয়ামগী খুৎয়েক খোল্লগা ওগষ্ট ২০দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট উনদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগনি।

লৈখিদ্রবা রজিব গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলদুনা ওজানা হায়খি, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা রজিব গান্ধীবু নীংশিংবা ওইনা ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোক্লি। লৈখিদ্রবা রজিবকী মপোক নুমিৎ ওইরিবা ওগষ্ট ২০ ফাওবা কেম্পেন অসি লেপ্তুনা চত্থখিগনি।

অমরোমদা, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীগী ২৬শুবা লৈখিদবা নুমিৎতা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা রাহুল গান্ধী অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রাগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা লূচিংবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। বির ভুমিদা লৈবা রজিব গান্ধী মেমোরিএলদা লৈ কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

# 'অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মীয়ামগী অপাম্বনি'

মুম্বাই, মে ২১ (এজেন্সী) :
রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) লৈরমদবা থোক্লবদি জম্মু এন্দ কাশ্মীর, পঞ্জাব অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল পাকিস্তান্না লৌশিল্লমগনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা বি জে পিনা শৌগৎলকখ্রে।

বি জে পিগী লূচিংবা সাইনা এন সীনা পাউমীশিংদা হায়খি, মীয়ামগী পূক্নিংদা ফাওরিবা ৱাফম অদু যোগি অদিত্যনাথনা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি। আর এস এসনা মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা নেসনেলিষ্টিক ওর্গনাইজেসননি। অপুনবা ইন্দিয়া শাগৎনবা হোৎনরিবা লূপ অসি লৈরমদবা থোক্লবদি ইন্দিয়াগী লম কয়ামরুম পাকিস্তানগী শরুক ওইরম্বা য়াই।

ওপোজিসন্না শীরকখিবা মরাল অমগী মতাংদা যোগি অদিত্যনাথনা হায়খিবনি মদুদি, আর এস এসনা লৈবাক্কী নীংতম ঈহৌদা শরুক য়াখিদবা তারবসু লূপ অসিনা পীরকপা



য়াথং মতুং ইন্না গাই, গঙ্গা অমসুং গাউ রক্ষানচিংবা হীরমশিংদা বি জে পি অমসুং য়ু পি গভর্ণমেন্টনা থবক থৌরম কয়া লৌখৎনবা শেম শারে।

আর এস এসনা ইন্দিয়া নীং তমহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিদবা থোক্লবসু লূপ অসি লৈরমদবা থোক্লবদি পাকিস্তান্না ৱেষ্ট বেঙ্গল, পঞ্জাব অমদি কাশ্মীর লৌশিল্লম্বা য়াই। মালেমদা কনাগুম্বা অমত্তগী মতেং লৌদনা স্বয়মসেবক অমদি প্রচারকশিংনা লৈবাক ঙাক্তুনা লাকখিবদি আর এস এস মথন্তনি।

উত্তর প্রদেশতা ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউরকখ্রবা মতুংদা অদিত্যনাথনা য়ু পি এসেমব্লিগী অহানবা মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীওই মশেলগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোই হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা মীপুম খূদিংমক্কী কান্নগদবা মওংদা থবক তৌগনি। উত্তর প্রদেশ শেমগৎ শাগৎপদা মীপুম খূদিংমক শরুক য়াহন্নবা হোৎনগনি।

মীওই কাঙলূপ অমবু পেলহন্নবা হোৎনরে হায়না য়ু পি গভর্ণমেন্টতা মরাল শীরকখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অনৌবা লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীওই কাঙলূপ অমত্তবু পেলহন্নবা হোৎনবগী ৱাফম লৈতে। মীগা মীগা খেন্নবা লৈহন্দবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তবু কিফম থোক্তে।

কাঙলূপ অমত্তবু হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংলোই হায়না পল্লদুনা অদিত্যনাথনা হায়খি, বি জে পি গভর্ণমেন্টকী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাংদি ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহনবনি। মফম খরদা থৌদোক মচা মচা খরা থোকপগী পাউ ফংই।

# মনকি বাটবু মায়কৈ কয়াদগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি

ন্যু দিল্লি, মে ২১ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৫০ রোমদা শন্দোক্তুনা তাহল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট থৌরম্বু ইন্দিয়াদগী হৌখিবা মীওই কয়ানা থাগৎনরক্লি হায়না ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর)গী দিরেক্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

হিন্দীদা লাইব ওইনা শন্দোক্লগা ইংলিশ, রসিয়ন, ফ্রেন্স, উর্দু অমদি চাইনিজ লোন্দা হন্দোক্তুনা শন্দোক্লিবা থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৫০দা লৈরিবা মীওই কয়ানা পাম্না তানরি।

থা খূদিংগী শন্দোকপা থৌরম অসিগী মতাংদা এ আই আরগী এক্সটর্নেল সার্বিসেস দিভিজনগী দিরেক্টর অম্লানজ্যোতি মজুমদারনা হায়খি, চোইনা খুন্দাখ্রবা ইন্দিয়ানশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর পূম্নমক পূক্নিং চঙনা তাবগী খুদম ময়েক শেংনা ফংলে। থৌরম অসি শন্দোকখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না এ আই আরবু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা ৱারোল কয়া থারকখি হায়রি।

**/ লায়েংজরি** **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3851/6/05-04/06

# বি জে পিনা প্রসিদেন্ট মীরেপকী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি : অমিত শাহ

ন্যু দিল্লি, মে ২১ (এজেন্সী) :
প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না কনাবু মীরেপ ওইনা থাগৎকদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি হায়না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসন্না কম্মন কেন্দিদেট অমা পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবদা অমিত শাহনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি পার্টিনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। কনাগুম্বা মীওই অমবু মীরেপ ওইনা থাগৎনিংবা তারবসু পার্টি মনুংদা কুপ্না খন্নরগা য়ানবা পুরকপা মথৌ তাই। পার্টিগী ওইবা থবক থৌরমদা প্রসিদেন্ট অমা ওইজরবসু লন্নাইগী ওইবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদে। অতৈ অতোপ্পা লূচিংবশিংগা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মতিক চাবা মীওই অমবু মীরেপ



ওইনা থাগৎকনি।

শিব সেনানা আর এস এসকী লূচিংবা মোহন ভগৱতপু মীরেপ ওইনা থাগৎনবা ৱাফম পুখৎলকখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, শিব সেনানা পুখৎলকপা ৱাফম অদু পার্টিগী লূচিংবশিংনা খন্নরবা মতুংদা অয়াবা পীখিদ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট লাক্লবা মতুংদা লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনরি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তদি মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌবা মথৌ তাই। প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদসু মীয়াম্না য়াবা মীওই অমা থাগৎপা তাবনি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মহাত্মা গান্ধীগী মশুনুপা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীনা ওপোজিসন পার্টিশিংগী অপুনবা মীরেপ ওইরবা য়াই হায়না থাজনরিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মরুওইবা ওপোজিসন লীদরশিংগা ৱারী শানবা হৌরে। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাক্সিষ্ট)কী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা ৱাফম অসিদা অয়াবা পীরকপা লৈখ্রবনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর ওইরম্বা গোপালকৃষ্ণনা ফোঙদোকখি। মসিগীসু মথক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনসু গোপালকৃষ্ণ গান্ধীদা শৌগৎকনি হায়বগী থাজবা পীরকপা লৈখ্রে।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা থাগৎলবা য়াই হায়না থাজনরিবা গোপালকৃষ্ণ গান্ধী মহাত্মা গান্ধীগী ইতোন তোনবা মচানুপা দেবদাস গান্ধীগী মচানি। মহাক্কী মমা পোকপা মপুবোক্না ইন্দিয়াগী ইকোন কোনবা গভর্নর জেনরেল সী গোপালাচারিনি। কুমজা ১৯৪৫গী এপ্রিল ২২দা পোকখিবা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী সেন্ট ষ্টেফেন কোলেজদা ইংলিশ লিটরেচরদা মাষ্টরস দিগ্রী লোইশিনখি।

কুমজা ১৯৬৮দা মহাক ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেটিব সার্বিস ফংদুনা তোঙান তোঙানবা ফম কয়া পায়রমই। কুমজা ১৯৮৫দগী কুমজা ১৯৮৭ ফাওবা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্টকী সেক্রেটরি ওইরমই। কুমজা ১৯৮৭তগী কুমজা ১৯৯২ ফাওবনা প্রসিদেন্টকী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইন থৌ পুরমই। কুমজা ১৯৯২দা ভোলুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌরবা মতুংদা মহাক য়ু কেগী হায় কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা মিনিষ্টর (কলচর) অমসুং লন্দনগী নেহরু সেন্টরদা দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরমই।